# ক্রোসিয়ানা দেনমার্কপু পেনালটি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগা থেংনরগনি, মেক্সিকোগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল ব্রাজিলনা থদৎখ্রে

RUSSIA 2018

**Pre Quarter Final**
**Today's Match**
Sweden Vs Switzerland
Time : 7.30 p.m.
Colombia Vs England
Time : 11.30 p.m.


দেনমার্ককী পেনালটি সোট অহুম ঙাকথোকপা ঙমখিবা ক্রোসিয়াগী কিপর সুবাসিকপু টিমমেটশিংনা হরাউদুনা কোনশিনবা

মোস্কো, জুলাই ০২ (এজেন্সী) ঃ ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা রসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ক্রোসিয়ানা দেনমার্কপু পেনালটি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু রসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রী ক্বার্টর মেচ অমদনা মেক্সিকোগী ৱর্ল্ড কপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু ব্রাজিলনা থদৎখ্রে।

ঙরাং নিজনি নোবগোরোদ ষ্টেদিয়মদা ক্রোসিয়া অমসুং দেনমার্ক লম্বা তৌনখিবনি। মেচ অদুগী মিনট অমা ফাদ্রিঙৈদা দেনমার্ককী মাথিয়াস জোর্গেনসেন্না পাঞ্জল অমা চল্লগা ক্রোসিয়াবু মাঙজিল থাখি। অদুবু ক্রোসিয়াগী মারিও মাঞ্জুকিকনা শান্নবগী মরিশুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদসু নাকল অনীমক্তগী অকনবা লম্বা থেংনদুনা অহেনবা পাঞ্জল অদু থিননবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নখি। মতম অদুসু মায়কৈ অনীমক্তগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অথোইবা টিম অমা খনগদবা মরম্না মিনট ১৫ অনীগী হাফ অনী অমুক মখা তানা শান্নখি। অহানবগী মিনট ১৫ পাঞ্জল লৈনদনা লোইশিনখি। এটেক চথবগী চাং ক্রোসিয়ানা খরা হেনখি। অনীশুবা এক্সত্রা টাইমগী মিনট ১৫ অদু লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ক্রোসিয়াগী এটেক অমদা পেনালটি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ক্রোসিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লুকা মাদ্রিকনা কাওবদা দেনমার্ককী কিপর কেস্পর স্মৈসেলনা ঙাকথোক্তুনা মায় পাক্লম্বা য়াবা তাঞ্জা ক্রোসিয়ানা মাঙজখি।

এক্সত্রা টাইম হাপ্পগী পুন্সায় অদু টিম অনীমক্না পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না পেনালটি শুট আউট কাউনরগা মায় পাকপা টিম অদু খনবা তাখি। অহানবা পেনালটি সোট অমমম টিম অনীমক চনবা ঙম্ন খিদে। অনীশুবা কিক কাওনখিবা ক্রোসিয়াগী ক্রামারিক অমসুং দেনমার্ককী ক্রায়র পাঞ্জল চনখি। অহুমশুবা সোটশিং কাওনখিবদসু ক্রোসিয়াগী মোদ্রিক পাঞ্জল চনখি।

অমরোমদা দেনমার্ককী ক্রোন দেলিসু পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল ২-২ মান্নরবা মতুং মরিশুবা সোট ক্রোসিয়ানা হান্না কাওবদা পিবান্সকী সোট পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। দেনমার্ককী মায়কৈদগীসু স্কোনগী সোট পাঞ্জল ওইখিদে।

মঙাশুবা পেনালটি সোট ক্রোসিয়াগী মায়কৈদগী রাকিটিকনা কাওবদা পাঞ্জল ওইখি। অদুগা দেনমার্ককী মায়কৈদগী কাওরকখিবা এন জোর্গেনসনগী সোট অদু ক্রোসিয়াগী কিপর দেনিএল সুবাসিকনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা পেনালটি শুট আউট অদু ক্রোসিয়ানা দেনমার্কপু ৩-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগা থেংনগদৌরিবনি।

সমারা সিটিদা লৈবা কোসমোস এরেনাদা মীওই লিশীং ৪২ রোম্না মীৎয়েং তাখিবা ব্রাজিল অমসুং মেক্সিকোগী মেচ অদু হৌরকপদা মেক্সিকোনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি।

> *জপান অমসুং বেলজিয়ম প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ (হাফ টাইম)*
>
> *এসিয়াগী অমত্তা ঙাইহৌরবা টিম জপান অমসুং বেলজিয়মগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ লম্বা মান্নরা শান্নরকখি। শকওং-শাদা হেন্না ফবা বেলজিয়মগী মায়কৈদা জপানগী শান্নরোয়শিংনা বোল পুশিনবা ঙমখি। বেলজিয়মসু জপানগী দিফেন্স লাইন নমখায়দুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা তাঞ্জা অদুমক য়াওখি। ঙসি মায় পাকপা টিম অমদি খঙলগনি মখোয়গা ব্রাজিলগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবনি। মিনট ৪৫গী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈরি।*


মেক্সিকোগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ব্রাজিলগী নেমারনা গোল পোষ্ট তম্না বোল কাওশিন্নবা হোৎনবা

মেক্সিকোগী টিম ৱর্ল্ড কপ পুৱারীদা কুমজা ১৯৭০ অমসুং ১৯৮৬তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা অদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইদুনা লাকখি।

অমরোমদা ব্রাজিলগী টিম কুমজা ১৯৫৮, ১৯৬২, ১৯৭০, ১৯৯৪ অমসুং ২০০২দা ৱর্ল্ড কপ টাইটল মঙা লৌদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মখোয়না টাইটল লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি।

মেক্সিকো অমসুং ব্রাজিলগী অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৫১শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা পুশিল্লকপা য়াম্না ফজবা মুভ অমদা ওই থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী ব্রাজিলগী ৱিল্লিয়ান্না পীরকপা ক্রোস অমা টিম অদুগী নেমারনা কাওশিন্দুনা অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল শোথরবা মেক্সিকোগী শান্নরোয়শিং ইক্বেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখি। অপীবা মিনট ৯০ য়ৌগদবা ২দা ঙাইরবা মতমদা ব্রাজিলগী নেমারনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা ফর্মিনোনা পাঞ্জল চন্দুনা মেক্সিকোবু ব্রাজিলনা ২-০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা জপান অমসুং বেলজিয়ম অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

---

**১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮**

## কে কে জি পি কাইরংনা মহারবি এফ সী অমসুং এ দব্লিয়ু এস সী অৱাং ৱাবগাইনা এন ৱাই সী নিলকুথি মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) ঃ ব্রাইটর ক্লব, অৱাং পোৎশংবম খুলেন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে কে জি পি কাইরংনা মহারবি এফ সী অমসুং এ দব্লিয়ু এস সী অৱাং ৱাবগাইনা এন ৱাই সী নিলকুথি মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী মহারবি এফ সী অমসুং কে কে জি পি কাইরং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা কে কে জি পিনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা কে কে জি পি কাইরংনা মহারাবি এফ সীবু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। কে কে জি পিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এম দি ফয়াজউদ্দিননা গোল ২, জর্সি নম্বর ৭ এম দি অজারুদ্দিন, জর্সি নম্বর ১৭ এম দি ইমদার অমসুং জর্সি নম্বর ১২ এম দি য়াসিরনা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা মহারাবি এফ সীগী গোল অদুনা জর্সিনম্বর ৮ এ লনচেনবনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এ দব্লিয়ু এস সী অৱাং ৱাবগাই অমসুং এন ৱাই সী নিলকুথি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা এন ৱাই সীনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপদা এ দব্লিয়ু এস সীনা এন ৱাই সীবু গোল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি। এ দব্লিয়ু এস সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ এম জিতেন্না গোল অনী, জর্সি নম্বর ৭ কে কুবের, জর্সি নম্বর ১১ এম অমরজিৎ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ সী ঐচ জোনসন্না গোল অমমম চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা এন ৱাই সীগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬ এন জি পিটরনা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এন জি রোনাল্ডনা গোল ২ চনখি।

### স্পোর্টরশিংগী কোচ খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭তগী পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা স্পোর্টরগী কোচ ওইনা এল চাউবা, এম সুরমলা চনু, এস মনিতেম্বী অমসুং এল রোনিবলা খনখ্রে।

### ত্রায়এল সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমসতা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিংগী ত্রায়এল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ফুটবোল, কবাদ্দি অমসুং নুপামচাগী সোফ্ট বোল, চহী ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সেপাক তাক্রো, চহী ১৪দগীনা ১৭ ফাওবগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী স্বিমিং, দাইভিং, এথলেটিক্স অমসুং আর্চরিগী দিসিপ্লিন্দা ত্রায়এল সেলেক্সন অসি দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ স্পোর্টস ৱাংজিংদা থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**২শুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮**

## টি সী এম দি সী, পি এস সী অমসুং ব্লু হোক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা টি সী এম দি সী, পি এস সী অমসুং ব্লু হোক মায় পাকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপো-কপা ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি ৩৪শুবা মেচ ওইনা অয়ূক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী কে এস দি ও অমসুং পি এস সী শান্নখি। মেচ অদু কে এস দি ওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস দি ওনা ওভর ১৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৬৭ লৌখি। কে এস দি ওগী তরিক্লা বোল ২৫দা রন ১৩ অমসুং অবদুলনা বোল ১৬তা রন ১০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা পি এস সীগী বুঙোরাজনা ৱিকেট ৩ অমসুং প্রসান্তা অমদি মংলেম্বনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি এস সীনা ওভর ১৩.২দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৬৮ লৌদুনা মেচ অদু পি এস সীনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি। পি এস সীগী প্রসান্তানা বোল ৪২দা রন ৩৩ অমসুং গীকান্না বোল ৮দা রন ১১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা কে এস দি ওগী তরিক্লা ৱিকেট ২ অমসুং ফেরোজনা ৱিকেট ১ লৌখি। বোল ৪২দা রন ৩৩ লৌবা ঙমখিবা পি এস সীগী প্রসান্তানা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী ২শুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ব্লু হোক অমসুং এস এস য়ু শান্নখি। মেচ অদু এস এস য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এস এস য়ুনা ওভর ১৪দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৬৯ লৌখি। এস এস য়ুগী অভিসেক্ল া বোল ২২দা রন ২৩ অমসুং রাহুলনা বোল ১৭তা রন ১৫ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ব্লু হোকী অভিসেক্লা ৱিকেট ৩ অমসুং ওজি অমদি সেমসন্না ৱিকেট অমমম লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোকনা ওভর ৮গা বোল ৩দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৭০ লৌদুনা মেচ অদু ব্লু হোকনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখি। ব্লু হোক্কী বেকরনা বোল ১২দা রন ১৭ অমসুং রোমিটনা বোল ২৩দা রন ১৫ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অভিসেক অমসুং রোহিটনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী টি সী এম দি সী অমসুং চেম্প শান্নখিবা মেচ অদু চেম্পনা রন ৩৮দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা বোল ৩৭তা রন ৩৮ লৌবা ঙমখিবা চেম্পকী বোনিনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

---

## বি সি সি আইনা গুৱাহাটিদা নোর্থ ইষ্টকী ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ওরিয়েন্টেসন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ অসামগী কোনুং গুৱাহাটিদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না শীন্দুনা নোর্থ ইষ্টকী ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ওরিয়েন্টেসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি য়াওনা মীওই ৪না শরুক য়াখি।

অসাম ক্রিকেট বোর্দনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা সন্তোস রনগের, চিফ ফাইনান্সিএল ওফিসার (বি সি সি আই), নবা ভাটচার্জি, এন এ দি পিগী মেম্বর অমসুং মেঘালয়া ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসগী সেক্রেটরি সিঙ্গাম প্রিয়ানন্দ সিংহ অমসুং প্রদিপ বুরোগোহেন, সেক্রেটরি অসাম ক্রিকেট এসোসিএসন্না ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অদুগী দাইজতা ফমখি।

প্রোগ্রাম অদুদা বি সি সি আই অমসুং অতোপ্পা এসোসিএলসন-শিংগা লৈনব মরী হায়বগী মতাংদা বোর্দ অসিগী অনন্দ উটামণিনা ৱা ঙাংখি। এসোসিএসনশিংদা শেল পীবা অমসুং টেক্সেসনগী মতাংদা বোর্দ অসিগী রোচিৎ মেহরোত্রানা তিনখিবা মীয়ামদা মরিচুম্বা ৱাফম থমখি। বোর্দ অসিমক্কী নিখিল খান্নানা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সবসিদি অমসুং আই পি এল হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

এসোসিএসনশিংনা চাদিং তৌবা অমদি করম্না বি সি সি আইদগী ক্লেম তৌগনি হায়বগী মতাংদা বোর্দ অসিগী অনন্দ উটামণিনা ৱাফম থমখি। অদুগা ইভেষ্টমেন্ট ষ্ট্রেটিজিগী মতাংদনা বোর্দ অসিগী চিফ ফাইনান্সিএল ওফিসার সন্তোস রঙ্গনেকরনা মরিক চুম্বা ৱাফম থমখি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএনসগী মায়কৈদগী লাইথাংবম বিনোয়, জোইন্ট সেক্রেটরি, টৌমি থিঙোম, জেনরেল মেনেজর অমসুং রাকেস কুমার জেননা চার্টর্দ একাউন্টেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

**অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮**

## সভেন টাইগর খুরাই অমসুং কিল এফ সী করাম মায় পাকখ্রে, লকি ষ্টার অমদি এস ৱাই দি এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) ঃ করাম অৱাং লৈকায় য়ঙ ক্লব (কে এ এল ৱাই সি) করামনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা করাম কাংজৈবুং লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সভেন টাইগর খুরাই অমসুং কিল এফ সী করাম মায় পাকখ্রে। অদুগা লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমদি এস ৱাই দি এ শান্তিপুর দ্রো চৎখ্রে।



তোঙান-তোঙানবা টিম ২০ শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ২৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাঙ্গোই এফ সী অমসুং কিল্ল এফ সী করাম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গোই এফসী অমসুং কিল এফসী গোল ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কিল এফ সী করাম্না ৱাঙ্গোই এফ সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি। কিল এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ নবচন্দ্রনা মেচকী ১৭শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ তোনদোন্না মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা ৱাঙ্গোই এফ সীগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৯ টি ঐচ বিপিন্না মেচকী ১৩শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ অদু এলেভেন ষ্টার লাক্তবদগী ঐচ এন এস সী ৱাক ওভর ফংখি। ২৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী সভেন ষ্টার খুরাই অমসুং কে এ এল ৱাই সী-এ করাম শান্নখিবা মেচ অদু সভেন ষ্টারনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। সভেন ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এম দি ইরান্না গোল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ এম দি সবাসনা গোল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ দিগী লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমসুং এস ৱাই দি এ শান্তিপুর শান্নখিবা মেচ অদু গোল ২-২দা দ্রো চৎখি। লকি ষ্টারগী গোলশিং অদু জোতিন অমসুং প্রেম্না চনকি। অদুগা এস ৱাই দি এগী গোলশিং অদুনা সনা অমসুং প্রবিন্না চনখি।

---

## ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসনগী নরিন্দর বত্রনা খেলো ইন্দিয়ানা হোকি শান্নরোয় খনবদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বত্রনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেলো ইন্দিয়া টেলেন্ট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা হোকি শান্নরোয় খনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসনগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা করিগুম্বা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং য়াওদনা শান্নরোয়শিং খনবগী থবক অসি চথরম্লবদি য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

পনবা য়াই, জুন ২৫দা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস পাঙথোকখ্রবা মতুং হোকি ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন্দা নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ৫০/৫০ খল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।



খেলো ইন্দিয়া টেলেন্ট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিনা নহা ওইরিবা স্কুলগী শান্নরোয়শিং অসি শেমগৎতুনা ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নবা ঙমহন্নবগী লম্বেল অমা শেম্লকপনি। মদুগী পাউখুম পীরদুনা নরিন্দর বত্রনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী খোঙথাং অদু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন নৎত্রগা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী শকখঙলবা সেলেক্টরশিংনা খেলো ইন্দিয়াগী খূৎথাংদা স্কুলগী শান্নরোয়শিং অসি খল্লম্লবদি অয়াবা লৈগদবনি।

অদুবু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং শান্নরোয়শিং খনবদা য়াওরমদ্রবদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন্না অয়াবা পীবা ঙম্লোই হায়রি। খেলো ইন্দিয়া টেলেন্ট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিনা শান্নরোয় খনবগী থবক পায়খৎলবদি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী হান্না লৈরম্বা থৌদাংশিং অদু লৈতবগা মান্নরে হায়খি।

## এসিয়ন গেমস ২০১৮দা লিএন্দর পেস অমসুং সুমিথ নগালগী পেয়র য়াওরকপদা ৱাহং কয়া হংনরক্লি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সী) ঃ ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ওগষ্ট থাদগী হৌগদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী টেনিস দিসিপ্লিনগী টিম খনবদা দবলসকী কাঙলূপ্তা লিএন্দর পেস অমসুং সুমিথ নগালগা মমিং য়াওরকপদা মায়কৈ কয়াদগী ৱাহং হংনরক্লি।

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন্না দবলসকী স্পেসিএলিষ্ট শান্নরোয় অনী খন্দনা পেস অমসুং নগালবু খল্লকপদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা নত্তনা মায়কৈ কয়াদগী ৱাহং হংনরক্লি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা দবলসকী কাঙলূপ্তা রোহন বোপানা অমসুং দিবিস সরন থাক ৱাংনা লৈরি। লোয়ননা মালেমগী মকোক থোংবা দবলসকী শান্নরোয় ১০০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র এম শ্রীরাম বলাজি অমসুং বিষ্ণুবর্ধন অমসুং পুরব রাজা অমদি জিবন নেদুনসেজিয়ন য়াওরি।

শ্রীরাম বলাজি অমসুং বিষ্ণুবর্ধন্না মখোয়গী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্কক অদু য়ৌদুনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ফাওবা অহানবা ওইনা য়াওবা ঙমখিবনি। বলাজি অমসুং বর্ধান লন্দন্দা ঙসিদগী হৌখিবা ৱিমল্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবনি।

মহাক্না ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী ওইনা রোহন বোপানা অমসুং দিবিজ সরন্না নম্বর ৱান অমসুং টুদা লৈরিবা শান্নরোয়নি। মদুগী মহুত্তা মালেমগী ওইনা ৭৪শুবা থাক্তা লৈরিবা লিএন্দর পেস অমসুং ২৫৩শুবা থাক্তা


লৈরিবা সুমিথ নগাল অনীবু খল্লকপা অসি অঙকপা অমদি পেন্দবা ফোঙদোরকখি। ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় তরুক মমিং লাউথোরকপদা লিএন্দর পেস অমসুং সুমিথ নগালগী মমিং দবলসকী কাঙলূপ্তা হাপ্পকপনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com